মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ যুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেননা লুচিংদুনা দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসলশিংনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা রোয়িং কেনেলদা ঙা মচা লিশিং ১০ রোম থাদখিবা

এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরগী মীৎয়েং মখাদা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র দিভেলপমেন্ট কম্মিটিনা খুন্দ্রাকপম এ সীগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা লৈরিবা ইমুংশিংদা তেংবাঙ ওইনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা

সেবা হি সঙ্ঘথন টুগী মখাদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মেদিকেল সেলগী কনভিনর ডা. কে এস ঐচ কালানা খুন্দ্রাকপম এ সীগী কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা লৈরিবা ইমুংশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখিবা

যু এফ ওগী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা সোসল ৱার্কর ডা. কে মুক্তাসনানা যু এফ এ সাউথ দিভিজনগী মেম্বরশিং অমদি শুগনুদগী ৱাবগাই লমখায় ফাওবগী মনুংদা লৈবা ক্লবশিংগা খুৎশম্নদুনা ইন্দো-বর্মা-শুগনু রোদকী পোটহোলশিং শেমজিনখিবা

অশিবা হকচাং অমা লৈরম্লে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): ইম্ফালগী সিটি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থাঙ্গাল কৈথেলগী কালিবারি মন্দির মনাক্তা মশক খঙদবা নুপা অমা শিদুনা লৈরম্লে।

অশিবা হকচাং অদু ঙসি অয়ুকপুং ৭ রোম তাবা মতমদা লম্বীদা চৎপা মীওইশিংনা থেংনরকপদগী সিটি পুলিস ষ্টেসনদা পাউ পীরকপদগী খঙবনি হায়রি। লৈখিদ্রবা নুপা অদু মশক মমিং চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মহাক ময়াই কাবা চীঙ্গাক হেন্না চাশিল্লুবদগী শিবা ওইরমগদ্রা হায়না থাজনরি। অদুবু চপ চাবদি খঙবা ঙমদ্রি। অশিবা হকচাং অদু সিটি পুলিসনা লৌখৎলগা রিমসকী মোর্গতা থম্নবা পুরকপদা রিমস হোস্পিটালগী মোর্গকী কোল্ড ষ্টোরেজ য়াদবনা মরম ওইদুনা জেনিমস মোর্গতা ওইনা পুরগা থমখ্রে হায়রি।

তেংবাঙ পোৎলম পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): বি জে পি মণিপুরগী ষ্টেট কাউন্সীল মেম্বর অমদি কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ ফাইটিং টাস্ক ফোর্স, বি জে লম্লাই মন্দলগী চেয়রমেন কে ঐচ ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা লম্লাই এ সীগী মনুং চনবা সেক্তাগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ২২ অমসুং লৌশাংখোংগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ১৪দা চান-থক্লবা তেংবাঙ পোৎলমশিং পীখ্রে। লোয়ননা লৌশাংখোং প্রাইমারী স্কুলদা আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবশিংদসু শেল, মাস্ক অমদি সেনিটাইজরশিং মতেং পাঙখ্রে। মতেং পাঙখিবা অদুদা বি জে পি লম্লাইগী প্রসিদেন্ট ঈ অমিটকুমার অমসুং পুংদোংবম জি পিগী হান্নগী প্রধান আই প্রেমসু শরুক য়াখি হায়রি।

সেবা হি সঙ্ঘথন

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): খুন্দ্রাকপম এ সীগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা অৰা-অনা তারবা মীওইশিংদা তেংবাঙ পীবগী মখা চথরকপা ওইনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মেদিকেল সেলগী কনভিনর অমসুং কিষান মোর্চাগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. কে এস ঐচ কালানা সেবা হি সঙ্ঘথন-টুগী মখাদা খুন্দ্রাকপম ময়াই লৈকায়গী যুমথোঙ ৩৪, ৱাইতোন মখা লৈকায়গী যুমথোঙ ৩, কৈবী হৈকক মপালগী যুমথোঙ ৫, কৈবী খুল্লেনগী যুমথোঙ ৩ অমসুং লম্লৈই খুলগী যুমথোঙ ৪দা চান-থক্লবা তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। তেংবাঙ পোৎলমশিং অদু মরী লৈনবা কোভিদ টাস্ক ফোর্সকী মেম্বরশিংদা খুৎশিন্নখিবনি।

তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): কেন্সর লায়নানা মরম ওইরগা অপোকপা অমসুং অপোকপী অনীমক কায়নখ্রবী কোংপালদগী নুপীমচা অনীদা লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি) মণিপুরনা ঙরাং লুপা লিশিং ২০, চেঙ বেগ ২ অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে। তেংবাঙখিবা অদুদা এল এম জিগী এদভাইজর ৱাংখেম শ্যামজাই, সোবিতা মোংজম, ৱাই লক্ষ্মন, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি নিঙোম্বম ওংবী রানিবালা লৈমা, পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেম অমদি এগজিক্যুটিভ মেম্বর রোসন মোইরাংথেমনচিংবা মরুওইবা মেম্বর কয়ানা শরুক য়াখি হায়না লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পেন্সন য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): লম্লাই এ সীগী ওইনা লৈঙাক্কী মখাদা পীবা পেন্সন ফংদ্রিবা মশাগী চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা মীওইশিং অমদি মপুরোইবা লৈখিদ্রবশিংদা অচোইবম ওংবী ইবেমহলগী মিংদা থা খূদিংগী পীবা পেন্সনগী শেনফম ঙরাং এম পি সী সীগী কো-ওপটেদ মেম্বর অচোইবম দেবেননা য়েন্থোকখ্রে। অচোইবম দেবেননা মহাক্কী অপোকপী অচোইবম ওংবী ইবেমহলগী মিংদা পীবা পেন্সনগী শেনফমশিং অদু লম্লাই, চলৌ, নাপেৎ, পুংদোংবম, উম্বুংমখোঙদগী মশাগী চহী ৬০ হেল্লবা অহল অমদি মপুরোইবা কায়নখ্রবীশিং য়াওনা মীওই ৪২০দা পেন্সনগী শেনফম অদু খুৎশিন্নখিবনি হায়রি।

খুঞ্জাশিংদা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী এৱ্যের্নেস পীবদা ভিলেজ হেদশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু : লেটপাও

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): ৱাটর রিছোর্সেস অমসুং যুথ এফেয়র্স স্পোর্টসকী মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা নুমীৎ নীনি চুপ্পা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী খেংজোই সব-দিভিজনগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংগী ফীভম য়েংশিনখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্লনবা অমদি মাস ভেক্সিনেসন চথননবা পাউতাক পীখ্রে।

খাংবারোল ভিলেজদা ঙরাং পাঙথোকখিবা মাস ভেক্সিনেসন কম এৱ্যের্নেস দ্রাইভতা শরুক য়ারদুনা মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হায়খি, কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎতগী ঙাকথোক্লনবা হোৎনবদা ভেক্সিন কাপথোকপা হায়বসি য়াম্না মরুওই। খুঞ্জাশিংনসু কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপদা মীপায়বা লৈরোইদবনি। কনাগুম্বশিংনা ভেক্সিনেসনগী মতাংদা অরানবা পাউ শন্দোক্লিবশিং অসি থাজবা তৌবীগনু। তোঙান-তোঙানবা খুলশিংগী খুঞ্জাশিংদা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী এৱ্যের্নেস পীবদা ভিলেজ হেদশিং অমদি চীফশিংনসু অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু। চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিদা চাদা ১০০ ভেক্সিনেসন তৌননবা দ্রাইভ চথরিবা অসি থাগৎলি।

চীংগী মফমশিংদা লৈরিবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিং অমদি ইন্সটিট্যুসনশিং ষ্ট্রিমলাইন তৌবা মথৌ তাই। করিগীনো হায়বদা মথৌ মশক খঙদবা অমদি অন-প্রোফেসনল ওইবা গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী কয়ানা মশাগী তৌফম থোকপা দ্যুটিশিং তৌদনা মখোয়গী মহুৎতা থবক শীজিন্নবা কয়া য়াওরি। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা লৈঙাক্কী থবক থৌরমশিংদা অপনবা থোকহনবদা নত্তনা মীয়ামদা সর্ভিস ফংহনবদা অপনবা ওইহল্লি। কনাগুম্বা খরনা য়ানবা অমগী মখাদা মহুৎ ওইনা লৈঙাক্কী ওফিসশিংদা মরুওইনা মহৈশঙশিং অমদি হেল্থ সেন্টরশিংদা থবক শুহননবা হোৎনবদা ভিলেজ চীফশিং অমদি হেদশিংনসু অয়াবা পীবীগনু। হেল্থ অমসুং এদ্যুকেসন হায়বসি খুন্নাইসিগী য়াম্না মরুওইবা অমনি। মসিদা কমপ্রোমাইজ তৌরোইদবনি। স্কুলশিং, পি ঐচ এস সীশিং অসিদা মতম পুম্বদা ষ্টাফ মশীং শুনা থবক তৌগদবনি। চীংগী মফমশিংদা খুঞ্জাশিংনা পোপী থাবসু তৌবীগনু। মদুগী মহুৎ মশক থোক্লা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংদুনা হোৎনবীয়ু। লৈঙাক্লসু মদুগীদমক তোঙান-তোঙানবা স্কিম কয়া পায়খৎলি। মদুগী কান্নবসু শোয়দনা ফংহনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চান্দেলগী দি সী, এম রাজকুমার, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি, এল দেবেন, খেংজোইগী এস দি ও, এল হেরোজিৎ, ডা. জামলাল, ভিলেজ চীফশিং, মহৈরোয় লূপশিং অমদি সী এস ওশিংগী মীহুৎ কয়াসু শরুক য়াখি। লোয়ননা মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা খাংবারোল ভিলেজগী খুঞ্জাশিংদা চেঙ বেগ কয়ামরুমসু য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা জোলদাম ভিলেজদসু চৎতুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা খুল অসিগী খুঞ্জাশিংদা ভেক্সিন কাপথোক্লনবা আপীলসু তৌখি।

‘জিরিবামগী এম এল এনা জিরি-টিপাইমুখ রোদকী ফীভম হন্না য়েংশিনবীদ্রে’



ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): জিরিবাম এ সীগী এম এল এনা মতম কয়াগী মমাঙদগী মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লদুনা লাক্লবা জিরি-টিপাইমুখ রোদকী ফীভম হন্না য়েংশিনবীদ্রে হায়না লম্বী অসিদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা গাড়ী কয়াগী দ্রাইভরশিং অমদি খুঞ্জা কয়ানা ফোঙদোক্লরক্লি।

লম্বী অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা পেন্দবা কয়া ফোঙদোক্লদুনা দ্রাইভর এসোসিএসনগী সেক্রেটরি পি মনিনা ফোঙদোরকপদা, চহী কয়াগী মমাঙদগী জিরিবামগী মরুওইবা লম্বী অমা ওইরিবা জিরি-টিপাইমুখ রোদ অসি নীংথিনা শেম্বীননবা লৈঙাক্তা কয়ারক হন্না হায়জদুনা লাক্লি। লম্বী অসিগী শরুক অমা ওইরিবা বি হোংগেংগী মফম অসি নোংজু পান্থাদদি খ্বাইদগী ফৎতবা লম্বীগী শরুক ওইরি। লম্বী অসিগী ফীভম ফৎতবনা বরাক সার্কলগী মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অমদি জিরিবাম তম্না পোথোক কয়া পুথোকপদা অৰাবা কয়া মায়োক্লরে। মীয়ামগী অৰাবা অসি উবীদুনা মণিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন লিমিটেদকী ভাইস চ্যেরমেন কে শরতকুমারনা লম্লাই শেল পুথোক্তুনা খরা শেম্বীরম্লবসু লম্বী অসিদা মাল পুবা গাড়ী কা হেন্না চৎপনা লম্বী অসিগী ফীভম অসুক্কী মতিক শোকচিল্লে। মসিদা জিরিবাম এ সীগী এম এল এনা মীৎয়েং অমত্তা চঙবীদনা লৈরি। লম্বী অসিদা এ সী অসিগী মীওই কয়া অমা ফাওদুনা চৎলিবনি।

লম্বী অসিগী ফীভম কা হেন্না ফৎতবনা মরম ওইরগা দ্রাইভরশিংনা শেল খায়জিন্নদুনা লম্বী অসি ঙসি খরা শেমজিল্লে। অসুম্না অমুক শেম, অমুক য়াদা তৌদুনা লৈগদৌরিব্রা। বরাক সার্কলগী মীয়াম্না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অসি য়েংলগা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু মহাক্লা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস গার্জিয়ান ওর্গনাইজেসন্না নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রারসু ওইরম্লবা হৌজিক্লা লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জনবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সেন্টরদা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্স অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসন ওইহল্লকপদা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস গার্জিয়ান ওর্গনাইজেসন্না নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস গার্জিয়ান ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি সুমতি শৌগ্রাকপমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মিনিষ্টরগী ফম পীরকপা অসি য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোক অমনি হায়না লৌবা য়াই। ষ্টেট অসিদা এদ্যুকেসনগী লমদা শোৎথবা কয়া অমা লৈরিবা অসি য়ুনিভর্সিটি লেভেল ফাওবগী ওইনা পোলিসী প্রোগ্রাম কয়া হাপ্পীদুনা ষ্টেট অসিদা অফবা অওনবা কয়া ডা. রঞ্জননা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা থমজরি।

শুগনু বজারদগী ৱাইখোং বজার ফাওবগী ইন্দো-বর্মা শুগনু রোদকী পোটহোলশিং মেনশিন্দুনা শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন (যু এফ ও) সাউথ দিভিজনগী মেম্বরশিং, শুগনুদগী ৱাবগাই লমখায় ফাওবগী মনুংদা লৈবা লোকেল ক্লবশিংগা যু এফ ওগী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা সোসল ৱার্কর ডা. কে মুক্তাসনাগা খুৎশম্নদুনা লৈঙাক্লা পীবা এস ও পি ঙাক্লা শুগনু বজারদগী ৱাইখোং বজার ফাওবগী কিলোমিটর ২০ লোম শাংবা ইন্দো-বর্মা শুগনু রোদকী ফীভম শোক্লবা লম্বীগী কোম অমদি পোটহোলশিং ঙসি মেনশিন্দুনা শেমজিনখ্রে।

মতম কয়াগী মমাঙদগী লম্বী অসিদা পোটহোল কয়া লৈবনা মরম ওইরগা গাড়ীশিং চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে হায়দুনা লৈঙাক্তা শেমজিনবীননবা কয়ারক হন্না মায়কৈ কয়াদগী তকশিনখ্রবসু ঙসি ফাওবা শেম্বীদনা লাকখিবনি। অদুবু ঙসি সোসল ৱার্কর ডা. কে মুক্তাসনানা যু এফ ও সাউথ দিভিজন অমদি শুগনুদগী ৱাবগাই ফাওবগী মনুংদা লৈবা লোকেল ক্লবশিংগা খুৎশম্নদুনা লম্বী অসি শেমজিনখিবনা লমদম অসোমদা লৈরিবা মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদা, অনা-অয়েক য়াওরকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরম্বা অদু খরমখৈদি কোকপা ঙম্লগনি হায়নসু মীয়াম্না ফোঙদোক্লরক্লি।

লম্বী অসি শেম্বীননবা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীশিংগী তোঙান-তোঙানবা এসোসিএসনশিংনসু লৈঙাক্তা তকশিনখিবা লৈখ্রবনি।

লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী ওফিস বিয়ররশিং ইন্সটোল তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী লাইওনিষ্টিক য়র ২০২১-২২গী ওইনা বোর্দ ওফ দিরেক্টরশিং অমসুং ওফিস বিয়ররশিং ভর্চ্যুএল প্লেটফোর্মদা ইন্সটোল তৌখ্রে হায়না লাইওন এম মানসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুদা লাইওন পি এম জে এফ প্রোফেসর দব্লিয়ু গোপিমোহোন, ভাইস দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর-১, দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দিনা ইন্সটোলেসন ওফিসর ওইবদা নত্তনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। লাইওন গোজেন্দ্র ইরোমবু ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা ইন্সটোল তৌখি। অদুগা লাইওন টি ঐচ নিতিশনা সেক্রেটরি অমসুং লাইওন হৈক্রুজম জিতেননা ত্রেজরর ওইনা ইন্সটোল তৌখিবনি। কুমজা ২০২১-২২গী ইনকমিং প্রসিদেন্ট লাইওন গোজেন্দ্রো ইরোমনসু লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী মেম্বরশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়রি।

কোভিদ খক্তা নত্তনা অতোপ্পা লায়না-লাইচৎ খূদিংমকসু লান্থেংনসি : এন কুঞ্জো

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ লাকপদগী ঙসি ফাওবা চোকথবা নাইদনা খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরনা এ সী অসিদা লাইচৎ অসিনা শোকহল্লবা ইমুংশিংগী অৰাং-অপা য়েংশিন্দুনা লায়না-লাইচৎ অসিবু মায়থীবা পীনবা হোৎনদুনা লাক্লি। ঐখোয় খূদিংমক্লা কোভিদ খক্তা নত্তনা লায়না-লাইচৎ খূদিংমক লান্থেংনসি হায়না খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (কে কে দি সী)গী এদভাইজর এন কুঞ্জোনা ফোঙদোরক্লি।

ঙরাং এ সী অসিগী মীয়ামগী মরক্তা কোভিদ লায়না-লাইচৎ অসিগী চৈথেং মায়োক্লরিবা মীয়াম্বু পূক্লিং থৌগৎপগা লোয়ননা মতেং পাঙবগী খোঙচৎকা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি। মখা চথরকপা ওইনা লাইচৎ অসিনা শোকহল্লবা ইমুং ৪৯দা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। লোয়ননা ইমুংশিং অদুদি সগোলমাং খেৱাদা য়ুম ৫, টাইগর কেম্পতা য়ুম ৩, কৈবী হৈকক মপাল অৰাং লৈকায়দা য়ুম ৫, পাঙ্গৈদা ৫, খুন্দ্রাকপম অশা ক্লব এরিয়াদা য়ুম ৬, খুন্দ্রাকপম এন এস সী এরিয়াদা ১৯, হরাওরৌ সাবল লৈকায়দা ১, য়ুম্নাম খুনৌ মখা লৈকায়দা ৫নি।

চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা অদুদা কে কে দি সীগী এদভাইজর এন কুঞ্জোনা কোয়না চৎতুনা কম্মিটি অসিগী থৌমীশিংনা মীয়ামগী তেংবাঙলিবা কয়াদুগী অৰাং-অপানচিংবসু য়েংশিনখি। লোয়ননা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি থিংনবা তুম্বা-চাবা খঙদনা হোৎনরিবা এ সী অসিগী এম এল এবু মীয়াম্না পূক্লিং থৌগৎপীদুনা শৌগৎপীবা উবদা অপেনবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা মীপুম খূদিংমক ভেক্সিন কাপথোকপীদুনা ঐখোয় ইশাগী অমদি মীয়ামগী খনমিন্নসি হায়খি।

এয়রপোর্ট মনাক্কী স্পিদ ব্রেকর ফীভম শোকপনা গাড়ীশিং চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল টিদ্দিম লম্বীগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকী গেট চঙফম ময়াদা লৈরিবা স্পিদ ব্রেকর অসি কোয়লাস মথক্তা য়োৎপী থারগা প্লাষ্টিক্লা শেল্লিবা অসি পোৎ অরুম্বা পুবা গাড়ীশিং তোয়না চৎথোক-চৎশিন তৌবদগী স্পিদ ব্রেকর অসি ফীভম শোক্তুনা অকায়-অতোয় কয়া য়াওরকপগা লোয়ননা লম্বীদা য়ুংলম্বা য়োৎপীশিং ফক্কৎলক্তুনা গাড়ী টয়ার পঙ্কচর ওইবা য়াওনা গাড়ীশিং চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মীয়াম্না মায়োক্লরে।



ইম্ফাল এয়রপোর্ট লম্বী অসি ভি আই পি চৎথোক-চৎশিন তৌবদা নত্তনা মীচম-মীয়াম য়াম্না তোয়না চৎনরিবা অমদি দিষ্ট্রিক্ট ২/৩ ফাওদুনা চৎলিবা লম্বীনি। মরম অদুনা মফমসিদা স্পিদ ব্রেকর থল্লিবা অসি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙবীদুনা মীশিমীনা থোক্লিভৈদা শেমজিনবা নৎত্রগা লৌথোকপীবা মীয়াম্না পাল্লি। হন্দক্তসু সেকেন্দ এম আরগী গেট মনাক্তা ঈশিং পুদুনা লাকপা ৱাটর টেঙ্কর অমা মমাঙ চাকা পঙ্কচর ওইবদগী মীদিয়ন মথক্তা চেপ্তুনা এক্সিদেন্ট থোকপা য়াওখ্রে। মরম অদুনা এয়রপোর্ট গেট মনাক্তা থল্লিবা স্পিদ ব্রেকর অসিসু গাড়ী অচৌবগী মমাঙগী টায়রদা য়োৎপী যুদুনা পঙ্কচর ওইরবদি খুদোংথিবা থোকপা য়াই হায়না মীওই কয়ানা ফোঙদোক্লরক্লি।

টিদ্দিম লম্বী অসিগী মফম কয়াদা গাড়ীগী এক্সিদেন্ট তোয়না থোকপগী রিপোর্টশিংসু পাউচেশিংগী খুত্থাংদা থেংনরি। মরম অদুনা লম্বী অসিদা রোদ এক্সিদেন্ট থোকহন্দনবা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা থৌরাং থৌশিল কয়া পায়খৎহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোক্লরক্লি।

‘ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী এগজামগী ফল অথুবদা হায়দোকপা ঙম্ননবা পুম্নমক্লা তেংবাঙবীয়ু’

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা মরম ওইরগা মণিপুর লৈঙাক্লা কেন্সেল তৌখ্রবা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম) অমসুং কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম)না লৌবা চহীসিগী ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ব এগজামগী ফল অথুবদা হায়দোকপা ঙম্নবা পুম্নমক্লা তেংবাঙবীয়ু হায়না ওল মণিপুর রেকগনাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফেয়র এসোসিএসনননা ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর রেকগনাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফেয়র এসোসিএসন (এ এম আর পি এস দব্লিয়ু এ)গী সেক্রেটরি দব্লিয়ু সুরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা ষ্টেট অসিগী ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ব এগজামিনেসন ২০২১ থাগদবা মহৈরোয়শিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াবু উবীদুনা এগজামিনেসন অনী অসি মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা কেন্সেল তৌননবা ফিরেপ লৌখিবা লোয়ননা মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কনবীননবা লিবরেল ওইনা মার্ক পীননবা মরী লৈনবশিংদা পাউতাক পীখিববু এসোসিএসন অসিনা অৰাংবা থাক্তা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। অদুবু মতাংসিদা মরুওইনা পঞ্জনিংবদি সুপ্রীম কোর্টনা অয়াবা পীখ্রবা সী বি এস ঈগী পব্লিক এগজামিনেসন ২০২১ থাগদবা মহৈরোয়শিংদা চৎনগদবা চৎনকাঙলোনগী শরুক খরদা য়ুম্ফম ওইরগা ষ্টেট অসিদসু বোসেম অমসুং কোসেমনা মমাঙগী চহী ৩ হায়বদি কুমজা ২০১৮, ২০১৯ অমসুং ২০২০গী এগজামিনেসন রিজল্টতা য়ুম্ফম ওইরগা স্কুল খূদিংমক্কী বেজ য়র ওইগনি লাউথোরকপা অসিমক্লা ষ্টেট অসিগী ওইনদি শোত্থরবা স্কুলশিংগীদি মমাঙগী চহীশিংদা অপূনবা পাস তৌবগী চাং অমসুং মহৈরোয়শিংনা ফংলিবা মার্ক য়াম্না নেম্বা মরম্না মহৈরোয়শিংদা মাঙজবা কয়া লৈগনি হায়না এসোসিএসন্না থাজে।

অমরোমদা, স্কুল খূদিংমক্কী মমাঙ চহী ৩দা বোসেম অমসুং কোসেমনা পাঙথোকপা এগজামিনেসন রিজল্টনা বেজ য়র ওইনা লৌদুনা হন্দক চহীগী অপূনবা মহৈরোয়শিংগী পাস তৌবগী চাং অমসুং সবজেক্ট খূদিংগী ফংগদবা মার্কশিং ওইহনবা হায়বসিদি স্কুল অদুগী অফবা অমসুং অচুম্বা মার্ক ওইফম থোক্তে হায়না এসোসিএসন্না লৌজে। বেজ য়র চহী ৩ খক লৌবা অমদি স্কুলদুনা লৌনিংবা অফবা রিজল্ট ওইবা চহী অমা হেক্তা লৌবা য়াহন্দবা, বোসেম অমসুং কোসেমনা শীল্লিবা ক্রাইটরিয়াদা কুমজা ২০২১গী এগজামিনেসন রিজল্ট লাউথোকপা হায়বসি হেন্না ফবা অমসুং ময়াই ওইনা ফবা মহৈরোয়শিংগী ফংফম থোকপা মার্ককী তংখায় হন্থনা শোত্থজরবা স্কুলশিংগী মহৈরোয়শিংনা ফংগদবা মরম্না বোসেম অমসুং কোসেমদা এসোসিএসন্না বেজ য়রগী লোক অসি খরা কোমথোকপীননবা নৎত্রগা মহৈরোয়শিংগী শাফগদবা ক্লোজ অমা হাপ্পীননবা থা অসিগী ৫ অমসুং ৭তা বোসেম অমসুং কোসেমগী চ্যেরমেনদা অইবা চেরোল অমমম পীশিনখিবা লৈখ্রে।

অতেনবা মতমসিদা খ্বাইদগী হেন্না অরাইবা থৌশিল অমা সজেসন ওইনা থমজনিংবদি থল্লক্লিবা লোক অসি মায়োক্লবদা খুদোংথিবা নংগদবা শোত্থজরবা স্কুলশিংগী ৱাকৎ অসি বোসেম অমসুং কোসেমনা তবীদুনা তাথোক-তাশিন তৌবীরগদি খ্বাইদগী অফবা ওইগনি হায়না এসোসিএসন্না লৌজে। অদুবু পুম্নমকসি ওইদুনসু কোভিদ-১৯ পেন্দমিক ওইবনিনা মহৈরোয় অমসুং মমা-মপা ওইরিবা পুম্নমক্কী অপাম্বা লোয়নমক নীংবা থুংহনবদি ওইথোক্লোই। লোয়ননা মার্ক অমসুং দিভিজনদা পেঞ্জদবা মহৈরোয়শিংগীদমক বোসেম অমসুং কোসেমনা অমুক হন্না রি-এগজাম থাবগী খুদোংচাবা পীজরবসু খুদক্কী ওইবা অঙাংদুগী রাইট ক্লেম তৌনিংবা লৈরগসু মদু বোসেম অমসুং কোসেমগা তাথোক-তাশিন তৌবীয়ু অমদি অশোয় অঙাম য়াওদনা, খোঙলৌ-পল্লৌদনা এগজামশিং অসি হায়দোকপা ঙম্ননবা পুম্নমক্লা তেংবাঙবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

খুমন লম্পাক্কী রোয়িং কেনেলদা ঙা মচা লিশিং ১০ থাদখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): দিপার্টমেন্ট ওফ যুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা ঙসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা রোয়িং কেনেলদা ঙা মচা লিশিং ১০ থাদখ্রে। ঙা মচাশিং অদু যুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেননা লুচিংবা ওফিসলশিংনা থাদখিবনি।

ঙা মচাশিং অদু থাদখিবগা মরী লৈননা যুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেননা হায়খি, ঙসি রোয়িং কেনেলদা থাদরিবা অসি রৌ, গ্রাস কার্প অমদি সিলভর কাপকী ঙা মচাশিংনি। ঙাশিং অসিনা কেনেল অসিদা লৈরিবা ফত্তবশিং চাথোকখিবগা লোয়ননা কেনেল অসিবু লূনালহনবদা মতেং ওইরগনি। কোভিদকী ফীভম ফগৎলকপগা কেনেল অসিদা বেদল বোটশিং শীজিন্নদুনা টুরিজম অমসুং এভেঞ্চর বেজ রিক্রিএসনল সাইট অমা হাংদোক্লবসু পান্দম থল্লি। ঙা মচাশিং অসি মনাক নকপদা লৈবা মীওইশিংনা ফাদোকপীগনু হায়নসু মহাক্লা আপীল তৌরক্লি।

বি জে পি সেকমাই মন্দলগী এগজিক্যুটি মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): বি জে পি সেকমাই মন্দলগী এগজিক্যুটিভ মীটিং ঙরাং খুরখুল মখা লৈকায়দা লৈবা সর্দার পটেল হায় স্কুলদা এম বি ও সী দব্লিয়ু দব্লিয়ু বিগী চ্যেরপর্সনসু ওইরিবা সেকমাই এ সীগী এম এল এ, ঐচ দিঙ্গোগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এম এল এ, ঐচ দিঙ্গোনা হায়খি, চাউখ্রবা মালেমদা মীশিং য়াম্বদা অনীশুবা লৈবাক ওইরিবা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক অমদা থা কয়া চুপ্পা মীপুম তীংনা লেম্না চেঙ পীরিবা অমদি লেম্না ভেক্সিন ফংহল্লিবা অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু থাগৎলোইদবগী মরম করি লৈবগে। হৌজিক কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ মরক অসিদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ষ্টেট অসিদা লৌখৎলক্লিবা থবকশিং সেক্সন খূদিংমক্তা লৈরিবা মীয়াম্না থাগৎফম থোকই। মশাগী রিসোর্ছ মরাং কায়না লৈজদবা মণিপুরগীদমক অহিং-নুংথিল তুম্বা চাবা থিদনা মীয়ামগীদমক পেন্দমিক অসিবু লাকশিন্ননবা য়ুম-য়ুমদা চৎতুনা আর এ টি টেষ্ট তৌবা অমদি লৈকায়-লৈকায়দা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক পায়খৎনবা হোৎনরিবা চীফ মিনিষ্টর অমদি লৈঙাক অসিবু মণিপুরগী মীয়াম্না পূক্লিং থৌগৎপীগদবনি। মরমদি করিগুম্বা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা ভেক্সিন অসি কাপ্পা তারবদি ইশাগী শেল তীংদুনা ভেক্সিন কাপকদবনি। অদুবু ঙসিদি ফ্রীদা মণিপুরগী মীপুম খূদিংমক্তা ভেক্সিন মরাং কায়না ফংহল্লিবা অসিনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি পি প্রেমানন্দ মৈতৈনা লাক্কদবা মণিপুরগী জেনরেল ইলেক্সনদা বি জে পিনা সিট ৪০গী মথক্তা ফংননবা পান্দম থল্লি হায়খি। মীফম অদুদা বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট, বি জে পি সেকমাই মন্দলগী প্রসিদেন্ট এন নাওবী, বি জে পি এস সী মোর্চাগী প্রসিদেন্ট এন জি রঘুমনি, ময়াংলাংজিংগী জেদ পি মেম্বর কে সোহদেব অমদি বি জে পিগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।